অতেনবা পাউ

তুরেল খোঙনুং লুথহনবা চুম্মিঃ সিব সেনা

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ ঃ তুরেলগী তোর্বান শেমজিনবগী মথক্তা খোংনুং হেন্না লুথহল্লবদি ঈচাও থেংনবা ঙমগনি হায়না সিব সেনা, মণিপুরনা ফোঙদোকখ্রে। সিব সেনা, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম তোম্বীনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি ইম্ফাল তুরেলগী ক্যামগৈ অমসুং অনকপদা লৈবা তোর্বান পরিং য়েংশিনবগা লোয়ননা পাউমিশিংদা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, চহী অমা মপুং ফারবা বিজেপিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বান শেম্বা হৌরকপা অসি শিংথাবা য়াই অমদি মসিগীদমক পার্টিগী মায়কৈদগী থাগৎচরি।

অদুবু হৌজিক শেম্লিবা খুৎশেম অসিনদি ঈচাও চপ–চানা মায়োক্লবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ৱাংলি। মরমদি খোংনুং অসি খরা হেন্না লুথহনদুনা কোৎখৎলকপা লৈবাক্লা তোর্বানদা থোল্লবদি তৌরিবা থবক অসিগী মহে চাগনি।

অমরোমদা কোংবা তুরেলগা ইম্ফাল তুরেলগা ইতিন্নফম ওইরিবা কোংবা ইরোংদা লৈবা থোং অমসুং ক্যামগৈ থোং অসি ফিভম য়াম্না শেক্লে। থোং অনী অসিসু শেমজিনবিগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না এম তোম্বীনা মখা তাখি।

ইম্ফাল তুরেলদা পায়খৎলিবা থবক অসি নম্বুল তুরেলগী ইরোইশেম্বদগী মহারানি থোং ফাওবদা পায়খৎলবদি চহী অমদা ঈচাও তোয়না মায়োক্লরিবা উরিপোক অমসুং সগোলবন্দগী মীয়ামদা শাফবা ওইগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চহি ৪০ রোম মফম খঙলুদ্রবা অমা সোসিয়েল মেদিয়াদগী মফম খঙলে

লামায় ১গী মখা

ফিরোজ সকিরনা অপলোড তৌবনি। অদুবু হৌজিকখক্তমক মখোয়না থেংনরকপনি হায়রি।

ভিডিও অদুবু অপলোদ তৌরক্লিবা ষ্ট্রিট ফোটোগ্রাফর ফিরোজ সকিরনা পীবা ৱারোলদা মীওই অদু মফম অদুদা নুংতি নুমীৎ খুদিংগী হিন্দিগী অরিবা ঈশৈ চত্তুনা অচৎ অওক্তগী শেল নীবা মীওইনি। মফম অদুগী অঙাংশিংনা মহাকপু নেপালি হায়না হেক হেক লক্কবি। মদুদা মীওই অদুনা শাওরদুনা মহাক নেপালি নত্তে, মণিপুরি ইনিদয়ানি হায়না ফোঙদোকই। লোয়ননা মীওই অদুনা মহাক মশা অসি আর্মি ওইনা মণিপুরদা থবক তৌরম্মী লোয়ননা মতম খরা ময়ুমদা লৌ–ইশ্বোল কোইদুনা লৈরম্লবা মতুং মুম্বাইদা লাক্লগা অফং–অফংবা থবক শুবনি। হৌজিক্তি মহাক লম্বীদা চাক্লি ফিনিবা ওইনা চৎপগা লোয়ননা য়ু–দা লাইচুবা মীওই অমসু ওইরে হায়না ফোঙদোক্লি।

লম্বীদা চৎপা শকখঙদবা নুপা অদুগী মতৌদু উবদা নুংঙাইতবা পোকপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংনা থেংনরবদি খন্দুনা মহাক্কী ভিডিও য়ু–ট্যুবতা অপলোদ তৌবনি হায়নসু সকিরনা ফোঙদোক্লি।

য়ু–ট্যুবতা থাগৎলকপা খোমদ্রাম গমভিরগী ভিডিও অদু ক্লবকী সেক্রেটরি সোমেন্দ্রো অমদি লৈচোম্বম রোমেননা য়েংলবা মতুংদা কনাগুম্বা খঙনা চান্নবা, নক্লবা মরি মতাশিং ওইরম্লবদি খঙজসনু হায়বগী ৱাখল্লোন্দা 'খুম্বোংগী ঈ–পাউ' হায়না মিংথোনবা মখোয়না শেমজবা ৱাটসএপ গ্রুপতা অমুক থাগৎপনি। মমৈথংদা মীওই অদু মখোয়গী লৈকাইগী ঙসিদগী চহি ৪০ রোমগী মমাংদা মফম খঙদনা মাঙখিবা খোমদ্রাম গমভিরনি হায়না কনফার্ম তৌবগা লোয়ননা খুদক্তা মুম্বাইগী বান্দ্রা পুলিস ষ্টেসন্দা পাউ ফাওনবগা লোয়ননা দরকার লৈবা থবক লৌখৎপিনবা অইবা কমপ্লেইন অমসু থাঙ্গৎখি। মদুগী মতুংদা পুলিস মশেল পাউ ফাওনখি। বান্দ্রা পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী খোমদ্রাম গমভির মখোয়গী কষ্টদি চয়োল অমা থল্লমগে মদুগী মনুংদা শোইদনা লৌবা লাক্লবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

পোকমিন্নবা ময়াম্বা ঙসিদগী চহি ৪০ রোমগী মমাংদা মফম খঙদনা মাঙখ্রবসু মুম্বাইদা তেক্ত–কায়দনা লৈরে তাবদা মহাক্কী পোকমিন্নবা মনাওনুপা কুল্লচন্দ্রনা অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফোঙদোরকখি। গমভিরগী পোকমিন্নবা মচন্নুপী খোমদ্রাম লৈশাবীনসু মবুংবু অমুক হন্না উন্নরগনি খনবদা মমিত্তগী মপি ইরা চেল্লদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোরকখি। মখোয় খ্বাইগী ময়াম্বা /মবুং খোমদ্রাম গমভির মবুক মপাউয়াম্না ফবা, মীগী মতেং পাংনিংবা, মীয়াম্না নুংশিবা মীওই অমনি। মরম অদুনা মহাক্কী মরি মখোং খঙখিদ্রবসু তশেংনা শিরম্লগনি হায়বদুদি থাজদে হায়বা ৱাফমসু থল্লকখি। অদুমকপু পোকমিন্নবা মচিন মনাওশিং অদুদি নোংমগী শুর–নোম্লগা হিংজবা য়ুম্লেকৈরে নাতে চাদবা ওইবনা ময়াম্বা লৌথোকপা চৎপদা চংগদবা শেনফমগী খনবদা ৱাখলদা ফুম্বংনবা অমদি পোকহৌরি। গমভির লৌথোকপা চৎপা অদুদা পাংশোই পুলিস ষ্টেসনগী মীওই ২ সু তঙাইফদনা লোইনবা তারি।

দ্রগকা মরি লৈননা রিটয়ার্দ দিএসপি ফারে

লামায় ১গী মখা

ক্রুইজর গাড়ী অদুবু থৌরক্লিবা মীওই অদু কছারগী উত্তর লালপানিদা লৈবা মঞ্জিল অহমদ লাস্কর ৩০ (অপোকপা জামোইর উদ্দিন লাস্কর) কৌবা অমনি হায়বা খঙবগা লোয়ননা টেব্লেটশিং অদুগা লোয়ননা মহাকপু এআর কাঙবুনা নাব পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নরকখিবনি।

মহাকপু ৱাহং পাউহং তৌবদা টেব্লেটশিং অদু দ্যুলালেন্দ কবো লৈকায়দা লৈবা হন্না মণিপুর পুলিসতা দিএসপি ওইরম্বা এমদি অব্দুল লাতিফকী গেরেজদগী ক্রুইজর অদুদা হাপ্লকপনি।

টেব্লেটশিং অদু রাবুল কৌবা অমনা য়ুমগী দোলানদগী পুথরক্লবা মতুং গাড়ীদা হাপ্পনি।

দ্রগশিং অদু পুদুনা চৎপদা করিসু কিনিংঙাই ওইদে, ঐখোয়গী বোস অসি হান্না দিএসপি ওইরম্বনা মহাক্কী মীওই য়াম্না লৈ হায়নসু রাবুলনা গাড়ী দ্রাইভর মঞ্জিল অহমদ লাস্করদা খঙহল্লকখি হায়বা ৱাফমসু ৱাহং পাউহং তৌবদা খঙবা ঙম্লে হায়না ব্রিন্দনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

নাবকী দিপুটি এসপি ব্রিন্দানা মখা তারদুনা চহি অসিগী জানুৱারী অমদগী ঙসি ফাওবদা নাবনা দ্রগকী কেস ৩০ লৌখৎপগা লোয়ননা চেন্নবা মীওই ১৭ ফারে। পুন্না লম একর ৯৩৭ তা থারম্বা কানি কিলো ৯৩৭০ রোম পুথোক্কদবা পোপি পাম্বীশিং য়াম্বৎতুনা মাঙহনখ্রে। মাঙহনখ্রিবা পোপি পাম্বীশিং অদুনা কানি ওইনা শুংলগা পুথোরকপদা লোকেল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ৫৬কা লাক্ষ ২২ রোমগী ওইগনি হায়খি।

চহি অসি হৌরকপদগী নাবকী কাঙবুনা হেরোইন পাউদর গ্রাম ৯৮৩, ব্রাউন সুগর কিলো অমগা গ্রাম ৭০০, কানি কিলো মাপন, ৱার্ল্ড ইজ ইয়োর টেব্লেট ২৮,৭১৫, এসপি টেব্লেট ১৪৯০ সু ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়নসু দিপুটি এসপি টিঐচ ব্রিন্দানা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মণিপুরীবু ক্লাসিকেল লেঙ্গৌইজ ওইহন্নবা খন্নখ্রে

লামায় ১গী মখা

লেঙ্গৌইজদা চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরিবনা মণিপুরী লোলবুসু ক্লাসিকেল লেঙ্গৌইজদা চলহন্নবা পার্লিয়মেন্টতা পুখৎতুনা পাস তৌহন্নবা ঐখোয় পুন্নমক্লা হোৎনমিন্নসি। ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা লোল অমদি নাৎ–চৎনবশিং অসি লোৎতুনা থমগদবা নত্তে এক্সপোর্জ তৌগদবনি হায়নায় মিনিষ্টর জয়েন্তকুমারনা ফোঙদোকখি।

অখঙ অহৈশিংনা নিংথিনা খন্নরগা করম হায়না চলহনগদগে হায়বগী এক্সপার্ট কম্মিটি অমা থল্লগা য়াননবা হোৎনসি। কম্মিটিগী রিপোর্ট অদু শেম্লগা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমদি এদুকেসন দিপার্টমেন্টকা পুন্না মেজর পোলিসি অমা শেমসি। মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গৌইজদা চলহন্নবা অঙম্বা থাক্তা তুংগী মীরোলগীদমক থৌদাং লৌগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা হায়, ইণ্ডিয়াগী ক্লাসিকেল লেঙ্গৌইজ ষ্টেটসকি মনুং চন্না মণিপুরী লোনবুসু ক্লাসিকেল লেঙ্গৌইজ অমা ওইনা চলহন্নবা ঐখোয় পুন্নমক্লা হোৎনমিন্নসি। অখঙ অহৈশিংনা নুমিৎ হুম্নি চত্থগদৌরিবা খন্ন– নৈনবগী মীফম অসিদা ইশা ইশাগী অখঙবা ৱাখল্লোনশিং অদু লোৎশিনবিদনা মীফম অসিদা পুথোক্তুনা ঐখোয়গী লোল অসি ক্লাসিকেল লেঙ্গৌইজগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনসি। মীফম অসিনা লৌবা রিকমেন্দেসন /রিপোর্ট অদু পার্লিয়মেন্টতা পুখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়না মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখি।

সোসিয়েল জষ্টিস ডে পাঙথোকখ্রে

মোইরাং পাউমীদগী

(Social Justice Day)
Bishnupur District

মোইরাং, এপ্রিল ১৫ঃ ইণ্ডিয়াগী কন্সটিট্যুসন শেল্লম্বা ডাক্তর বিআর অম্বেদকরগী মপোক নুমীৎ পালনগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্তকী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়টরিসোর্স সেন্টরগী কনফরেন্স হোলদা ঙরাং ডিষ্ট্রিক্ত এডমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা গ্রাম স্বারাজ অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা সোসিয়েল জষ্টিস ডে পাঙথোকখ্রে।

ডাক্তর বিআর অম্বেদকরগী ফোটোদা লৈ কত্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা মোইরাং কেন্দ্রগী এমএলএ পি সরতচন্দ্রনা হায়, সোসিয়েল জষ্টিস অসি খঙহনগে হায়রবদি লায়রবা সমাজ অদুদা খ্বাইদগী হঙ্বা মীয়ামদগী হৌদুনা খঙহনবা চঙই। লোয়ননা গবর্ণমেন্টনা পীরিবা স্কিম কয়াশিং অসিবু ময়েক শেংনা খঙহনবা অমসুং কান্নবা ফংহনবা তঙাই ফদে।

বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্তকী অধক্ষ্য ডাক্তর রোমাই লাইরেঞ্জমনা হায়, ডাক্তর ভিমরাও অম্বেদকর অসি ইণ্ডিয়ান কন্সটিট্যুসনগী অহানবা ড্রাফটিং কম্মিটিগী চিয়ারমেন ওইবতা নত্তনা সোসিয়েল জষ্টিস কয়া পুররক্লবা হোৎনরম্লা মীশকঅমনি। হৌজিক ইণ্ডিয়াদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসন অসি অম্বেদকরনা শেম্বীরম্বনি হায়রদুনা মহাক্লা তৌরম্বা অমদি পামজরম্বা কয়াগী মতাংদাসু ৱাফম কয়া থমখি।

থৌরমদুদা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন, এম রোমিবালা দেবী, বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্তকী ডিসি পাৱন যাদব, ডিষ্ট্রিক্ত অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং লোয়ননা প্রধান অমদি মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

কেসিপিগী মপোক...

লামায় ১গী মখা

শাবশিংদি লোইনা মুৎখ্রগা অশেংবা য়াওল্লোয়শিংনা তুং কোইনা য়াওল তৌদুনা লৈহৌগনি হায়না মখা তাখি হায়রি। অখন্নবা মীথুংলেননা ঐখোয়না ঐখোয়গী শক্তম ঙাকপা, ঐখোয়গী নাৎ কনবা, লোয়ননা ঐখোয়গী ইপা ইপু নিংবা, থকশি খাশি নাইবা হায়রিবশিং অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা য়াওলগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্কদবনি হায়বা ৱাফম থমখিবগা লোয়ননা শরুক য়াখিবা কয়ানসু থৌরম অদুগা মরী লৈনবা মমল য়াল্লবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

ঙসি রোদ...

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা টুরিজম ওঠোরিটি ওফ থাইলেন্দগী দাইরেক্টর ইসরা ষ্টাপানাসেটনা হায়, ইম্ফালগী লমথাবগী থৌরম অসি শরুক য়াবগী মথক্তা থাইলেন্দদা খোঙচৎলোইশিং তরাম্না ওক্কনি। ঐখোয়গী টাক অমসুং চিয়াং খোংদা নাৎকি ওইবা জগোই ঈশৈগা লোয়ননা কনভোই অসি তরাম্না ওকপগা লোয়ননা নেটৱার্কিং দিন্নর শিনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রধাকুমারনা অহানবা রেজিষ্ট্রার ওইরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ প্রাইম মিনিষ্টর এডমিনিষ্ট্রেটিব এক্সিলেন্স এৱার্ডসু ফংখ্রবা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা আইএএস ওফিসার কাংজম রধাকুমারবু নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি, মণিপুরগী অহানবা রেজিষ্ট্রর ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফিয়ারস এন্দ স্পোর্টসনা হাপখ্রে।

মণিপুর কাদরগী২০০০ বেটচকি আইএএস ওফিসার অসিবু মিনিষ্ট্রিনা থা অসিগী ১৩দা ওর্ডর অমা থোক্তুনা রেজিষ্ট্রার ওইনা হাপখিবনি। মহাক থা অসিগী ১৬ তা রেজিষ্ট্রার ওইনা জোইন তৌরগনি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এডিসন্দা নোংমাইজিং খুদিংগী শৈরেং ইরিবা কাংজম রধাকুমার ষ্টেট গবর্নমেন্টকি মখাদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়া পায়রম্লে অমসুং সেন্সসকা মরি লৈনবা থবকশিং মায় পাক্লা পাংথোকপগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা সিলভর মেডলসু অনিরক পিখ্রবা ওফিশারনি।

পীক্লিৎভেদগী ইবা য়ান্না পামজরকখিবা থবক্তগী পোত্থারবা আইএএস কাংজম রধাকুমার এমএ(ইংলিস লেঙ্গুয়েজ এন্দ লিটরেচর)দা গোল্ড মেডলসু ফংখিবনি।

মণিপুর লিটরেচরদা ইংলিস অমসুং মণিপুরী অনিমক্তা শৈরেং অমসুং ৱারেং ইদুনা অচৌবা মফম অমা কল্লক্লিবা অইবা অসিগী এসিয়াগী মঙ (এন এসিয়ান দ্রিম), মীৎয়েংগী ৱাংমদা(বিয়োন্দ দ হোরাইজন অমসুং মীৎকুপ অমতং (ওনলি ৱান মোমেন্ট) কৌবা লাইরিকশিং ফোংখ্রে।

সাহিত্যা একাদমি, ন্যু দিল্লিগীসু মেম্বর অমা ওইরিবা রধাকুমারনা ইবা ৱারেংশিং দ্রমা ওইনসু শান্নবা য়াওখ্রবনি।

[illegible] / অৱাবা ফোঙদোকপা

মালেম শংসারসিদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বা Youth Sporting Club Naorem Chaprou গী Founder President ওইনা লৈবীরম্বা খুল লৈকায়গী থবক থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবিরম্বা **Shri Aribam Gokulchandra Sharma** পুন্সি চেঙজেল লোইদুনা ইমুং মনুং, শাগৈ নাতে অমদি মরুপ মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১০–৪–১৮ শজিবুগী ২৫ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রী কৃষ্ণ কুনজবীহারী গৌরাংগ দাস হায়বা নাম ফংজদুনা শ্রী হরিগী চরন্দা চংজখিবদা থম্মোই শোক্লা নুঙাইতবা অমদি ইহাং হাংহৌরবা Youth Sporting Club, Naorem Chaprou গী মেম্বরশিংনা মহাক্কী থৱায়না মপু মাগী মনাক্তা নুঙাইনা লৈখিনবা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

Sd/- Nanao Naorem
General Secretary
Youth Sporting Club, Naorem Chaprou
TSE/371–16

[illegible] / চোংথাম শাগৈগী পাউজেল

লাক্লিবা তাং ২০–৪–২০১৮ ইং কালেনগী ৫ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা শাগৈগী অপোকপা ইবুধৌ–ইবেনধৌ অনিগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা চাকলোন কৎপগী থৌরম পাংথোকচরগনি। থৌরমসিদা শাগৈচাশিংনা মতম চানা লেংবীরক্তুনা শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা য়ুমকোক অমমমগী শেনখাই লুপা ৩০০ / ৩০০ খাইজরি।

N.B. থৌরম য়াওবা লাকপীগদবা মীশিং অমসুং শেনখাই থেংলবদা তাং ১৮–০৪–২০১৮ ফাওবগী মনুংদা য়ৌহনবীরকউ।

পাউজেঞ্জরিবা– ***Ch. Khelendro***
President
Chongtham Sagei Apokpa Seba Committee,
Chongtham Kona, Imphal West
9856372766/ 9862328269
TSE/361-16,17

[illegible] / ঐনা লাইশ্রম সুধাকরবু থম্মোয় শেংনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



সুধাকর

লাইশ্রম সুধাকর (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই.টি.আই মনাক ইম্ফালদা লৈবগী হিদাক হপ্তা মরি চারবা মতুংদা ঐগী ওইথংবা কিদনীদা লৈরম্বা ৪.৮ এমএমগী নুঙ অদু তারক্লে। অল্ট্রাসাউন্দ লৌরুবদসু লৈবা উদ্রে মসিগীদমক্তা ঐনা লাইশ্রম সুধাকরবু থম্মোয় শেংনা ঈশ্বরগী মফমদা পুন্সি নুংশাংবা অনা অয়েক য়াওদবা ওইবীয়ু হায়না নীজরি অমদি খবরগী থোংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবা – ***Haobam Ajit Singh***
Pishum Chingamathak
Near, Hao-Ground Imphal-795001, Manipur.
TSE/322–16

[illegible] / URGENT JOB VACANCY AT PEACE HOSPITAL & RESEARCH INSTITUTE

POROMPAT MUSLIM ROAD NO. 2

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1.	RMO	6 (Six)	MBBS with MCI & MMC	NG
2.	STAFF NURSE	12 (Twelve)	GNM/ ANM BSc. Nursing	NG
3.	SECURITY	4 (Four)	VIII passed	NG

For above post the deserving candidates should submit CV with a passport size within 18-4-18.

Date of Interview : 18-4-18 (10:00 AM to 01:00 PM)

Sd/-
Managing Director PHARI
#: 7005354323
TSE/Shamu–16

[illegible] / LOST

I have lost my Wallet with some cash, driving Licence, Voter card, Aadhaar card, Smart card on 14-04-2018 around 8.00 pm on the way between Wangkhei Thangapat to Loklaobung. Finders are requested to kindly handover to the undersigned.

Sd/- Khaidem Bony Singh
Moirangkhom Makha Loklaobung,
7005287099
TSE/357-16

[illegible] URGENTLY REQUIRED [illegible]

For

YES With added minerals Water Company

Sl.no.	Name of the post	Qualification	Salary	No. of the post
1	Sales Executive	10+2/Graduate	10k to 20k	10
2	Driver	N/A	6K to 10k	3

Date of interview: 16/04/2018 & 17/04/2018
Time: 10:00 a.m to 1:00 p.m
Address: Nagamapal Singjubung Leirak near S.Y.O Club
For further details please contact: 7005123831/9862733593
Note: No deposit / No application fee
TSE/367–16

[illegible] / WANTED COMPUTER & RHYME TEACHERS

Post	Qualification
1. Asst. Computer Teacher (no.2)	B.Sc/M.Sc/ BCA/ MCA
2. Rhyme Teacher (no. 2)	Any Graduate

Salary : Negotiable

N.B. Candidate should bring all related documents.

Sd/-
The Combined English School
Lansonbi Bazar, Near Rose Garden
Contact : 9774900901
TSE/379–16,18

[illegible] / গাড়ী য়োঞ্জরি

TATA Super AC (2013) অমা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ। ***TSE/366–16,17***

Contact : 9077586841

ST. PETER'S HIGH SCHOOL

KWAKEITHEL

NOTICE

Dt. Imphal, the 15th April, 2018

It is hereby inform to all the students of St. Peter's High School, Kwakeithel Imphal that the school will remain closed on 16th April 2018, due to the sad and sudden demise of our beloved Headmaster **Sir Pebam Rajmani Singh.**

NB : There will be regular classes in 17th and 18th April 2018. Annual Sports Meet 2018 will be postponed.

Sd/-
Asst. Head Master
St. Peter's High School, Kwakeithel
TSE/370–16

[illegible] / খোং হান্বা খুদিংগী শৌজ নাহ্নবা, নাহ্নবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা খুৎনা ইনশিনবা, নিঙ্গাংনা ফম্বা অমদি করিগুম্বা পোৎ অরুম্বা অমা থাংবদসু শৌজ অদু অমুক তারকপা, খোং হান্বদা অমাংথোংদগী ঈ কাপথোরকপা তৌরম্বা ফহনবগীদমক ওজা MV Azad Phusam বু মপোকসিগী কাওজররোই

ঐগী হকচাংদা নুংশঙ য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা খুদিংগী শৌজ নাহ্নবা, নাহ্নবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা খুৎনা ইনশিনবা, নিঙ্গাংনা ফম্বা অমদি করিগুম্বা পোৎ অরুম্বা অমা থাংবদসু শৌজ অদু অমুক তারকপা, খোং হান্বদা অমাংথোংদগী ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাং ঈ ৱাৎশিল্লকপা, খোং শেংনা অমুক্তদা হামদোক্তবা মচিৎ মচিৎ হান্বা পুক নুংশিৎ কারগা পুক মনুংদা মতুম ওইনা কোইচেন চেল্লগা নাবা, খোঙ হান্বা খুদিংগী অমাংথোংদা চিকপা শাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, শিংলি নাওরি ইপং পংশিনবা ইফা ফাজিনবা শিথরকপগুম তৌবা, ঙকশম মরি অমদি লেংজুম নাবা, খ্বাঙ য়াংলেন নাবা তৌরম্বা অদু **Mv. Azad Phusam, # 7628890261** দা চত্তুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Mv. Azad Phusam** বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফম :

1) Hatta Opp. Oil pump near Public Hospital, Imphal.
2) Bishnupur Bazar Ward No. 9. (Sat., Sun. & Mon. only)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar.

থাগৎচরিবা – ***A. Keshor***
Keisampat
TSE/3047–16

Socio-Economic Development Group (SEDEG), Sagolband Loukham Leirak, Imphal West না Children Home অমদি Old Age Home শিংদা ঙসি তাং ১৫–৪–১৮ দা মতেং পাংখ্রে।

Sagolband Tera gi Children Home da Cheng amadi alu mateng pangba.

Old Age Home, Mongshangei da Cheng, alu amadi towel mateng pangba.

Nongpok Kakching Old Age Home da kampal, towel ama di shelgi mateng pangba.

TSE/372–16

[illegible] URGENT JOB VACANCY

Govt. Regd. No. SSL/64/com. Estd. of 2016, Manipur

Sl.No.		NAME OF THE POST	SALARY	POST	QUAL.
1.		**Direct selection & Joint of Airlines & Airport Post Vacancy of New Delhi T3(Semi Govt. Job EPF Govt. Facilities/ 50% seat Reservation of ST)**			
	I	G- Customer Care (CSA/ GSR/CSE)	20000 – 1 lac	40	XII/G/M
	II	VIP Lounge Staff/ Retail CSA/ Supervisor	18000 – 30000	45	XII/G
	III	Airport Driver (Heavy/Light)	15000 – 30000	30	VIII/X/XII
	IV	Weight Checking (Cargo/Loader)	16000 – 70000	60	VIII/X/XII
	V	Ground Security Staff/ Baggage X-ray	17000 – 80000	30	VIII/X/XII
	VI	Air Hostess/ Cabin Crew (5.2 ft.)	65000 – 3 lac	40	XII/G/M
2.		**Imphal Post Vacancy (NGO/Micro/ Any Forms)**			
	I	Office reception / Attendant	5000 – 18000	15	VIII/X/XII
	II	Ladies Active Guard/Boys Civil Guard	6000 – 15000	20	XII/X
	III	Ex-Service man Officer/Supervisor	8000 – 15000	15	VIII/X/XII
	IV	Writing Copy at Home Student/Housewife	Rs. 300/Copy	30	VIII/X/XII
	v	Micro Sitting Staff/R.O.	7000 – 20000	20	X/XII/G
3.		**Banking Staff Selection of IIBM Training with placement**			
	I	Banking BD/ Resolution Officer	15000 – 50000	40	X/XII/G
	II	Sitting Manager/Sitting Staff	20000 – 1 Lac	80	G/M
	III	Mutual Fund Operator (Excel)	20000 – 1 Lac	30	XII/G
4.		**Direct Join of Delhi Metro Train Recruiting Staff**			
	I	CSA/Computer operator	20000 – 80000	20	XII/G
	II	Customer Token Staff	20000 – 80000	20	XII/G
5.		**Wanted Ladies Saloon Nail Polish Staff Training With Placement**			
	I	Nail Designer / Colour Designer	20000 – 60000	30	X/XII/G
	II	Ladies Staff/Showroom C.S.A	20000 – 60000	30	X/XII/G
6.		**No Deposit & No Donation Work at Imphal**			
	I	Sales Manager/Sales Executive	8000 – 20000	20	XII/G
	II	Car Wash Man/Asst. Sales Manager	6000 – 15000	20	VIII/X
	III	Company Driver/Data Entry Work	6000 – 15000	15	VIII/X/XII

Last Date of Submission: 19/04/2018 TSE/2991-20M. Please Contact
Date of Interview: 20/04/2018 # 8794793684/9077144653
Office Hour: 10 a.m. to 3.30 p.m Salai Unemployment Service Centre
Sagolband Salam Leikai, near Waheng Leikai, Jiri Parking

CFC CENTRE FOR COMPETITORS

[illegible]

Old Lambulane , Jail Road, Opp- GP Women College.

The only centre devoted to SSC and BANKING sectors

GENERAL FOUNDATION COURSE

For SSC, Banking, and Others (6 Months)

1. Maths (125 days) 2. English (50 days) 3. Reasoning (50 days)
4. Social Science (50 days) 5. General Science(50 days) 6. Financial awareness(10 days)

Class Commencing – 10th April'18

Morning 6:30 to 9:00 Evening 3:00 to 5:30

- *Free a set of 6 books for the above subject*
- *Mock Test FREE for 1 year.*
- *6 Months Computer Course (CCA) FREE*

SBI & IBPS PO COURSE

(4 Months)

Class starting from- 10th April'18

1 Maths (100 days) 3 Reasoning(45 days)
2 English(45 days) 4 Financial/Banking awareness(20 days)

Morning 6:30 to 9:00 FREE 5 BOOKS FOR BANKING Evening 3:00 to 5:30

COMPUTER SHORT TERM COURSE(Redg.)

(ISO -9001:2015 Certified)

3 months course(CCC)	-Rs 2900/-
6 months course(CCA)	- Rs 5000 /-
3 months Spoken class	- Rs 3500/

For details, please contact: 0385-2442908, 8257874275

TSE/6-3E+M

KIME TUTORIALS

[illegible] Regd. No. : 456/M/SR/2010 MtG BOOKS

An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal

Foundation Course Class X	Classes Starting on : 5th April
Foundation Course Class XI &XII	Classes Starting on : 5th April
Medical foundation Course	Classes Starting on : May 2018

- Printed probable questions & answers
- Regular Test series on alternate days
- Self study hour under the guidance of expert daily
- Van service & Hostel facility are available

Timing : 4.30 pm to 7.30 pm For more details Contact Office of KIME TUTORIALS

UCO BANK BUILDING, SINGJAMEI CHINGAMATHAK

TSE/1958-30M.

EXCHANGE
— OFFER* —
FLAT
20% OFF
FRAMES*
+
FLAT
20% OFF
LENS*
12th April - 14th May
Exchange your old spectacles and get flat 20% off on both frames & lens
*Offer valid on Titan products. Get 15% Flat off on Frames and 15% flat off on lens without exchange.
TITAN eyeplus

ADD :- RIMS ROAD NEAR NITYANANDA TEMPLE , CONTACT NO : 03852416580

TSE/D-13E